থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো থিয়েতর ফেষ্টিভেল য়াওরুঙৈ

শিথরক্লবা মণিপুরী আর্ট ফোর্মশিংগী মনুংদা, মণিপুরী প্রোসিনিয়ম থিয়েতরসু অমনি। থিয়েতর-হোল-মনুংদা ফম্বাকথক্তা শান্নবা পর্ফোর্মিং আর্ট মখল অসি, য়েংবীনবা লৈতদুনা শিথরক্লে খন্নরবসু, লমদমসিগী লৈহাওদগী হৌখিবা, ত্রেদিসনেল পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্মনি খন্নবা, ত্রেদিসনেল ফোল্ক-ঠিয়েটরনিসু হায়নবা মণিপুরগী 'শুমাং লীলা'দি মীয়াম্না পাম্নবা কলানি, মুৎপা নাইরোই খন্নরম্বা আর্ট মখল অসিসু ঙসিদি মুৎখিগদ্রা চিংনরক্লে - থিজিল্লোয়-স্কোলারশিংনা হায়বনি। হিন্দি (ইন্দিয়ন) ফিল্মগী অকনবা ইথিলসি চঙলমদ্রবা, শুমাং লীলা'সু মুৎলল্লনি - হায়নবনি ময়াম্না। শুমাং লীলাগী ঙসিগী শকওংসি ওইদ্রিঙৈ, মতম অমগী, শকওংদুদি ঙসি উবা ফংখিদ্রে। 'মোইরাং পর্ব' লোইখ্রেদনা! ঙসি উরিবা 'মোইরাং পর্ব' অসিদি, কথোক্লবা নুপী-কলাকার খরনা হিংহন্নবা হোৎনবা হায়'দুনি - অহিংবা কলা হায়বদু কৌবা য়ারক্ত্রবনি, অরোইবা মতম ঙাইরিবনি।

'শিথরক্লে' হায়বা নেগেতিব ষ্টেটমেন্ট অসি য়ানিংদবা কাঙবু অমনা শিখাঙ খাঙনা য়েৎলবসু, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরদা চেঙনি খুজায় থাংজীনবদু হেক তোক্লবা, মখোয়সু হিংবা ৱাগনি, ঠিয়েটর হায়বা শিনফমসিনা হিংনবগী লম্বী ওইঙমদ্রি হায়বসিদি মখোয় য়াগদবনি। মখোয়না পুথোকপা পর্ফোর্মেন্স, অয়েংমল পীদুনা কনানসু য়েংবীদে, চেবাউ পীদুনা কৌর'সু য়েংবা লাকপীয়ু য়াদ্রবা লমদমসিগী মীয়াম্নি। অয়েংবা য়াওদ্রবা পর্ফোর্মেন্স-আর্ট, হিংদ্রবা কলা অমনি। হিংই-হিংদে/শিরে-শিদে - মরৈ অসি য়েৎনরগুমসি। এ বি সী দি - দাইরেক্তর ফাওবা/ফাওদবা খুদিংমক্কী পর্ফোর্মেন্সতা লাক্কদৌরিবা ওদিয়েন্সতুদি অমত্তনি। সেম ফেস অদুনি হঞ্জিন হঞ্জিন উনরিবা।

অসিগুম্বা তানফমদা হন্দক্কী সিজন অসিদা ওন্থোকপা থৌদোক অমনি থেংনরক্লিবা মথং মথং। মেরা থাগী থানিন (ওক্তোবর ১৩, ১৯১৯) লাংমৈদোং দ্রামাতিক য়ুনিয়নগী 'খা মণিপুর দ্রবা ফেষ্টিভেল' হৌদোকখি। ঠিয়েটর গ্রুপ তরামাথোইনা শরুক য়াখি। পোলিটিকেল দিসতর্বেন্স অমনা থেঙথহনখিবা ঠিয়েটর সেন্টর, মণিপুরনা শীনবা সোর্ট-প্লে কমপিটিসন, খেঞ্জোংলাং, মণিপুরনা শীন্দুনা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি অমদি সঙ্গীৎ নাতক একাদেমি, ন্যু দিল্লিগী শেন্থংগা লোয়ননা পাঙথোকপা 'নুপী দ্রমা ফেষ্টিভেল' - নোর্থ-ইষ্ট ইন্দিয়াগী নুপী ঠিয়েটর দাইরেক্তরশিংগী ফেষ্টিভেল দিসেম্বর থাদা পাঙথোরকই। অনৌবা চহী থুংলবগা, রূপমহল ঠিয়েটরগী আর্টিষ্ট মেমোরিঅল দ্রমা ফেষ্টিবেলসু থুংলখি। হেক লোইশিনখিবগা, খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো কলচরেল ত্রষ্টনা শীনবা মঙাশুবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো ঠিয়েটর ফেষ্টিবেল - ২০২০, জন্যুৱারী ১৮ দগী পাঙথোরকই। হৌজিকসু মখা চত্থরি। হয়েং জন্যুৱারী ২৪ দা লোইশিনগনি। ফেব্রুৱারী হৌরকপদগী অমুক হৌরক্লগনি, কুমসিদগী হৌগদৌরিবা ব্রহ্মাপুর কলা সঙ্গমনা শীনবা অনৌবা ঠিয়েটর ফেষ্টিবেল। মার্চ থা য়ৌরকপা, ৱর্ল্ড ঠিয়েটর দে' লাকপগা খুৎশম্নগা থুংলরগনি - কংলৈ লিভিং আর্টস (কলা), উচিৱাগী 'ঠিয়েটর মরাথোন'। অসুক এক্তিব ওইরিবা ঠিয়েটর এক্তিভিটি'সিদবু, মণিপুরদা ঠিয়েটর শিথরক্লে। কনানা করম' হায়রিবা ? হংবা য়াবা ৱাহংনি। ঠিয়েটর'দা ঙাওজবা, পামজবা খরনা মকন্থীনা মরল ফোয়দৎচ' ফেষ্টিবেল সেরিজ পাঙথোকচবগী ৱাতনি, ঠিয়েটর এক্তর-দিরেক্তর-দিজাইনর-রাইটর মখোয় পুম্নমক্তি অমত্তসু হিংদ্রবনি।

কুমসি'সিদা থোক্লিবা ঠিয়েটর ইভেন্টশিংসি য়েংলুরগা, মরুওইনা হৌজিক হৌজক জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি'দা চত্থরিবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো ঠিয়েটর ফেষ্টিভেল অসি য়াওরুরগা, পৎথরুরবা থম্মোয়-পুক্লিং-ৱাখল তেকখৎলকপগুম তৌরকই। লেপ্লুরবা মিহুলদু নৌনা অমুক হুল্লকই। চহী অহুম অহুম খুদিংগী পাঙথোকপা দ্রামা ফেষ্টিভেল অসি কুমজা ২০০৭ জন্যুৱারী ১৩ দা শক্লায়রবা অইবা অসিনা তাইবংপান থাদোকখ্রবা মতুং কুমজা ২০০৮ দগী পাঙথোকপা হৌরকখি। কুমজা ২০১১, ২০১৪ অমসুং ২০১৭ মরিরক পাঙথোকখ্রবা মতুং মঙাশুবা পন্দুপ, জন্যুৱারি ১৮ দগী ২৪ ফাও' ঠিয়েটর গ্রুপ মপান্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লি - কংলৈ লিভিং আর্ট উচিৱা ('করিনুংগী নুপী লোনজরুবা', দিরেক্তর থৌনাওজম প্রেমজিৎ); অখোকা, ইম্ফাল ('ঐখোয়সু জীবনি থম্মোয় পাল্লি', দিরেক্তর ভিক্তর থৌদাম); লৈকোল মণিপুরী কলচরেল ওর্গনাইজেসন, খোৱাই, ত্রিপুরা ('অঙাওবীসে ঐগীদি ইমানি', দিরেক্তর - এস উত্তমকুমার); ক্রিয়েটিভ লিভিং আর্ট রিসর্চ সেন্তর লাংমৈদোং ('ঐ মমানি', দিরেক্তর - এলাংবম ওজিৎকুমার); ভানুবিল মাঝেরগাওঁ দ্রামা পার্টি, বাংলাদেশ ('খাইনবা য়ারোই' দিরেক্তর - এল রাজকুমার); রেংড়ুলি সংস্কৃতি কেন্দ্র,ত্রিপুরা ('ক্লেন্দেষ্টাইন ফ্লেম', দি: গুনোমোনি বোরা) অমদি মণিপুর ঠিয়েটর ত্রকাদেমি, ইম্ফাল ('রিফ্যুজি', দি - সারুংবা বিরেন)। কুমজা ১৯৪৬, জন্যুৱারী ১৮ দা পোকখিবা মশাগী চহী ৬১ খক পুন্সিখিবা খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রো - ফম্বাক লীলা ৬৪, রেদিও দ্রামা ১৪, শুমাং লীলা ৯ অমদি ফাগী লীলা ৪, পুন্না লীলা ৯১ (মরিফুরামাথোই ইদুনা থল্লম্বা হায়বসি ... অতাবশিংনা হেন্না খঙবীরে - লাইপোক অমগী মগুন চেনবা কনাগুম্বা অমা নত্তনা ঙমফম থোক্তবা অমনি। হায়নৈদনা - মী অমগী অশেংবা মশক্তি মশা লৈখিদ্রবা মতুংদতা খঙগনি। জি সী তোংব্রাগী মথংদা, দ্রামাগী লমদা অইবা দ্রামা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না খুদোল তৌরম্বা মীশক্তি খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রোনি হায়বসি মহাক মশা হিংলিঙৈদদি কনানসু খঙখিদে। ঙসিতমক খঙবা হৌরক্লি।

ব্রোজেন্দ্রোবু মশক খঙনবা, মহাক্কী দ্রামা পর্ফোর্মেন্স উৎহনবদই হেন্না নৈনবদুনি মথৌ ওইরিবা।

লৌশিং পুক্কে

# চিনিনা নুমিৎ ১২নিখক্তংদা ব্রেনগী কেমিষ্ট্রি হোংহল্লি

ওকতা চত্থখিবা অনৌবা রিসার্ছ অমদা চিনিনা ব্রেনগী রিৱার্দ-প্রোসেসিং সর্কুইট্রিদা এদিক্তিব ওইবা দ্রগশিংগা চপ মান্নবা মওংদা অহোংবা লাকহনবা থেংনখ্রে।

ঐখোয়না করিগুম্বা অনৌবা অমা খঙবা নৎত্রগা থেংনবা মতমদা ঐখোয়গী ব্রেনগী রিৱার্দ সিষ্টেম এক্তিবেট তৌই। ব্রেনগী মহৌশাগী ওইবা কেমিকেলগী মতেংনা ব্রেনগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমগা অমগা পাউ ফাওনহন্দুনা ঐখোয়গী লৌশিং হেনগৎহনবা অমদি নুংঙাই য়াইফনা লৈনবগীদমক অনৌবা নোলেজশিং তম্বদা মতেং পাংই।

রিৱার্দ সিষ্টেমনা ন্যুরোট্রান্সমিট্টর দোপামাইনগী মতেংনা মীওইবনা তঙাইফদনা চঙবা মচাকশিং খুদম ওইনা নুংশিনবা, সেক্সুএল প্লিজর অমদি মরূপশিংগা নুংঙাইনা মতম লেনমিন্নবনচিংবা কয়াবু এক্সপ্লেন তৌবদা মতেং পাংই।

অদুমওইনমক, দ্রগকুম্বা অকক্লবা পোৎলমশিংনা ব্রেনগী রিৱার্দ সিষ্টেমবু হাইজেক তৌদুনা আর্টিফিসল ওইবা মওংদা এক্তিভেট তৌই। প্লিজর ফংবা থৌওংবু হঞ্জিন-হঞ্জিন্না তৌনিংবা ফাওহল্লিবা অসি এদিক্সন ওইহল্লিবা মেকানিজম অদুনি।

অদুবু চিনি অসিবু অসিগুম্বা পোৎশক অমরা, ওইরগদি ঐখোয়না চিনি য়াওবা পোৎলমশিং চানিংলিবসিগী মরম অদুনা ওইগদৌরিবরা হায়বা ৱাহং অমা লাক্লি।

থেরোন রান্দোল্ফ কৌবা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী সাইন্টিষ্ট অমনা 'ফুদ এদিক্সন' হায়বা টর্ম অসি শঙ্গোম, য়েরুম অমদি আলুগুম্বা অকক্লবা চীঞ্জাক খরবু কম্পলসিব কঞ্জুম্পসন তৌবগী থৌওংবু মশক তাক্লবগীদমক ১৯৫০গী মতমদা শেমখিবনি।

মসিগী মতুংদগী কন্সেপ্ট অসিগী মরমদা চত্থখিবা ষ্টদি কয়াদা মান্নদবা রিজল্ট কয়া ফংখি।

দেনমার্কতা লৈবা আরহস য়ুনিভর্সিটিগী ক্লিনিকেল মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী এসোসিএট প্রোফেসর মিচেল ৱিন্টর্দাল অমসুং মহাক্কী খোঙলোয়শিংনা ব্রেনগী রিৱার্দ সর্কুইট্রিদা চিনি চাবনা পীবা ইফেক্ত অদু ওকতা চাংয়েং চত্থদুনা য়েংশিনবদা হীরম অসিগী মতাংদা অনৌবা ৱাফমশিং ফংবা ঙমখ্রে।

রিসার্ছরশিংনা মখোয়গী ফাইন্দিংশিং অদু সাইন্টিফিক রিপোর্টস কৌবা জর্নেল অমদা ফোঙখ্রে।

সাইন্টিষ্টশিং অদুনা গোট্টিঞ্জেন মিনিপিগ অমোম ৭তা চিনি চাবগী ইফেক্টশিং এনালাইজ তৌখি। মদুদা মখোয়না ওকশিং অদুগী ব্রেনগী রিৱার্দ সিষ্টেম অদু এগজামিন তৌনবগীদমক ওপিওইদ রিসেপ্টর এগোনিষ্ট অমদি দোপামাইন রিসেপ্টর এন্টাগোনিষ্টকা লোয়ননা কমপ্লেক্স পি ঈ টি ইমেজিং টেক্নিক্স শীজিন্নখি।

সাইন্টিষ্টশিং অদুনা ওকশিং অদুদা নুমিৎ ১২ নি নোংমতা কান্দনা নোংমদা পুঙ ১গী চাংদা পীরম্মী,অদুদগী ইকোন কোন্না সুগর দোজ পীখিবা অদুগী মতুং পুঙ ২৪ লৈরগা অমুক্কা হন্না স্কেন লৌরম্মী।

ওক ৭ অদুগী মনুংদা ওক মঙা অমদা সাইন্টিষ্টশিং অদুনা সুগর ইহান হান্না পীবা অদুগী মতুংদা এদিসনেল পি ঈ টি স্কেন্নিং অমগা তৌরম্মী। 'চিনি চাখিবা অদুগী মতুং নুমিৎ ১২ নিগী হেক মতুংদা ব্রেনগী দোপামাইন অমদি ওপিওইদ সিষ্টেমদা য়াম্না চাউনা অহোংবা কয়া লাকপা উবা ফংখি' হায়না ৱিন্টরদালনা রিপোর্ট তৌখি।

ষ্টদি অদুগী রিপোর্টনা হায়, তশেংনা ঐখোয়বু নুংঙাইনা লৈহনবা অমদি প্লিজর ফংহনবগা মরী লৈনবা ব্রেনগী কেমিষ্ট্রিগী শরুক ওইরিবা ওপিওইদ সিষ্টেম অসিদি ইহান হানবা ওইনা চিনি পীবা অদুগী হেক মতুংদগী এক্তিভেট তৌখ্রবনি।

চিনি চাখ্রবা মদুংদা ষ্ট্র্যাটম, ন্যুক্লিয়স এক্যুম্বেন্স, থালামস, এমিগদালা, সিঙ্গুলেট কোর্টেক্স অমদি প্রিফ্রোন্টেল কোর্টেক্স হায়রিবা ব্রেনগী অকক্লবা মফমশিং অসিদা অহোংবা লাকখি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

রিসার্ছরশিংনা হায়, ষ্টদিগী ফাইন্দিংশিং অদুগী মতুংইন্না সুক্রোসকী চাং ৱাংনা য়াওবা চীঞ্জাকশিং চাবদা লাইচুগনবা দ্রগশিং চাবগা চপ মান্নবা মওংদা ব্রেনগী রিৱার্দ সর্কুইট্রিদা ইনফ্লুএন্স তৌই।

ষ্টদি অদুগী রিসার্ছরনা হান্না খল্লম্বা অদুগা ষ্টদিগী ফাইন্দিং অদুগা তাইয়োন্নরম্বা অদু পল্লদুনা হায়, চিনিদা সাইকোলোজিকেল ইফেক্ট কয়ামরুম লৈ হায়বসি চিংনিংঙাই লৈতে, অমদি চিনি চাবা অসি হকচাংদা কান্নদবগী মরম কয়ামরুম লৈ।

করিগুম্বা ওকশিংদা তৌবগুম্না চিনিনা শুপ্নতগী নুমিৎ ১২নিগী মতুংদা ব্রেনগী রিৱার্দ সিষ্টেম হোংহনবা ঙল্লগদি করিগুম্বা অমা তম্বা নৎত্রগা সোসল ইন্টরেক্সনগুম্বা নেচরেল ষ্টিমুলিশিং অসিগী মহুত্তা চিনি অমদি অতোপ্পা আর্টিফিসল ষ্টিমুলিশিংনা শিনখিবগী ফিভম অদু ৱাখলনা শাগৎপা ঙল্লে হায়না মিচেল ৱিন্টর্দালনা ফোঙদোকখি।

ব্রেনদা চিনিনা পীবা ইফেক্টশিং খঙনবগী চত্থখিবা ষ্টদি অদুগী মোদেল অদু ওক ওইহনখিবগী মরম অদুসু রিসার্ছরশিং অদুনা তাক্লি। মখোয়না হায়, মমাঙদা চত্থখিবা ষ্টদিশিংদা উচি শীজিন্নদুনা য়েংখ্রে, অদুবু মখোয়শিং অসি চিনি য়াম্না পাল্লগসু, মশাগী অরূম্বা হেনগৎপা অমদি মেটাবোলিজমবু রেগ্যুলেট তৌবদা মতেং পাংলিবা হোমিওষ্টেটিক মেকানিজমশিং অদুদি মীওইবগা য়াম্না খেন্নে।

চাংয়েং অসি মীওইবদা তৌবা ঙল্লম্লগদি য়াম্না ফগদবনি, অদুবু মীওইবশিং অসিদি কন্ট্রোল তৌবদা ৱায় অমদি মীওইবগী দোপামাইন লেবেল অসি তোঙান তোঙানবা ফেক্টর কয়ামরুম্না হোংহল্লি হায়না ৱিন্টর্দালনা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না চারিবা চীঞ্জাক, ফোনদা গেম শান্নবা, নৎত্রগা ট্রায়ল অদু চত্থরিঙৈ মনুংদা নুংশি-নুংওনগী লম্বীদা খোঙদারকপা অসিনচিংবা কয়া অসিনা দোপামাইন লেবেলদা ইনফ্লুএন্স তৌই। ওককী ব্রেন অসি উচিগী ব্রেনদগী কমপ্লেক্স ওইবা হেল্লি অমদি মখোয়গী ব্রেন অসি মীওইবগী ব্রেন স্কেন্নর শীজিন্নদুনা স্কেন তৌবদসু চপ মান্নবা চাংদা চাউবা মরম্না মীওইবগী মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নবা য়াবা খ্বাইদগী চানবা অসি ওকনা ওই হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

# চূড়াচান্দপুরদা নেসনল ভাইরেল হেপটাইটিস ট্রিটমেন্ট সেন্টর শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস): চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ঙসি এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ননা নেসনল ভাইরেল হেপটাইটিস ট্রিটমেন্ট সেন্টর অমা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ননা হায়খি, নেসনল ভাইরেল হেপটাইটিস ট্রিটমেন্ট সেন্টর অমা চূড়াচান্দপুরদা শঙ্গাবা অসিগীদমক ওর্গনাইজরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। এৱ্যেরনেস স্ক্রিনিং কেম্প য়াওনা ট্রিটমেন্টকী খুদোংচাবা ফংগদবা সেন্টর অসি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তনি। চূড়াচান্দপুরগী মীয়ামদসু কান্নবা ওইরগনি।

মীওই কয়া হেপটাইটিস বি অমসুং সীনা নাবগী অৱাবা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা অনাবা কয়া অসিগী মেদিকেল ট্রিটমেন্ট লেম্না ফংহন্নবগী মীৎয়েং চঙলক্লি। ঐচ আই ভি কেসতগী হেপটাইটিস বি অমসুং সীগী কেসকা মশিং য়াম্না লৈরি। অসিগুম্বা সেন্টর অসি হাংদোরকপা অসিনা অনা-লায়েংগী থবক্তা হেন্না খুদোংচাবা লৈরগনি। চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদসু লায়না অসি লায়েংনবগী খুদোংচাদবা কয়া লৈরম্বদু হৌজিক্তি নীংথিনা ফংলগনি। কয়াকল্প এৱার্দী ফেলিসিটেসন এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমসু হোস্পিটাল অসিগী জে এন এম স্কুল ওফ নর্সিংগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি। জে এন এম মহৈরোয়শিংগী মনুংদা মকোক-মথং তারকখ্রবা মহৈরোয় ৩ দা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা হেল্‌থ সেন্টর মরিদা একাদেমীক পর্ফোমেন্স নীংথিনা পীবা নর্স মহৈরোয় কয়াদসু মনা-মথুম পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। নেসনল ভাইরেল হেপটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী ষ্টেট নোদেল ওফিসর ডা. রোজিনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চুড়াচান্দপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নার পৱন যাদবনা ফোঙদোকখিবদা, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মীওই কয়াদা হেপটাইটিসকী ট্রিটমেন্টকী খুদোংচাবা অসি নীংথিনা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরম্বনি। হৌজিক চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা অনৌবা ট্রিটমেন্ট সেন্টর অসি লাক্লবনিনা লায়েংবগী লমদা খুদোংচাবা কয়া ফংলগনি। মীয়ামগীদমক য়াম্না মরুওইবা সেন্টর অমনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওইশিংনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিদা লায়েংবগী থবক কয়া চত্থরিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হেল্‌থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরশিংগী কম্যুনিটি হেল্‌থ ওফিসরশিং, পি ঐচ সী, ঐচ দব্লিয়ু সী, সী ঐচ সী, পি ঐচ এস সীশিংগী এ এন এম অমসুং জি এন এম ৱার্করশিং, আশা ৱর্কর কয়াসু শরুক য়াখি। চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মেদিকেল ষ্টাফ অমদি হেল্‌থকা মরী লৈনবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা নেসনল ভাইরেল হেপটাইটিস ট্রিটমেন্ট সেন্টর হাংদোরকপা অসিনা খুদোংচাবা কয়া লৈরগনি হায়বা ৱাফম থমখি।

# 'কছারগী ইচিল ইনাওশিংগী য়েংলগা কোমথোকপীয়ু'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস): আই এল পি চৎনরকপা অসিদা মীয়াম্না হরাওনখি। কছারদা খুন্দারিবা মৈতৈ, মীতৈ-পাঙলশিংনা জিরিবামদা লাকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবসি য়েংলগা খরা কোমথোকপীয়ু হায়না মৈতৈ কনভেন্সন জিরিবামগী জেনরেল সেক্রেটরি য়েংখোম ইবোমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ১দগী মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টম চৎনবা হৌবদা মীয়াম্না হরাওনখি। মীরোল কয়াদগী চৎথোক-চৎশিন, অৱা-নুংঙাই কয়া শরুক য়াদুনা লাক্লিবা কছারগী য়েলহৌমী মরুওইনা কছারদা খুন্দারিবা মৈতৈ, মীতৈ-পাঙলশিংনা জিরিবামদা লাকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। জিরিবামদা খুন্দারিবা মীওই চাদা ৯০দি কছার অমদি অতৈ মফম কয়াদগী লাকখিবা মীওইনা অয়াম্বনি।

জিরিদা মরী-মতা, শাগৈ অমদি নক্ল বা ইমুং-মনুংশিং লৈবনা জিরিদা লাক্তবা য়াদবা ফীভম ওই। জিরিদা চঙলকপা মতমদা আই এল পিগী মরী লৈনবা চে-চাংশিং পায়দনা লাকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। কছারদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা থেংনরকখিবা কয়াশিং অসিগী মতাংদা কছারগী লূপ কয়ানা জিরিদা লাকপদা খরা কোমথোকপীনবা হায়জবা কয়াসু লৈখ্রে। লৈঙাক্লা খরা কোমথোকপীনবা শীনবীরবদি খুদোংচাবা ওইগনি। নুংশিনবা অমসুং থাজনবা হেনগৎকনি। ইশাগী লম ঙাক-শেন্দুনা থম্বনা মীতোপ-মীয়ানচাশিং চঙলকপা থিংবা ঙমগনি। লৈফম লৈতনা মী চঙলকফম থোক্তে। য়েলহৌমী মরুওইনা মৈতৈশিংনা মীতোপতা ইশাগী লম য়োনবীগনু। জিরিদা কাঙলুপ কয়ানা মখোয়গী লম অতোপ্পদা য়োনবা থিংখিবা কুইরে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# উরিপোক্তা জন্যুৱারী ২৪দা মাও কৈথেল ফমগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২: মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি, অপূনবা তেংবাং মরুপ উরিপোক লাইখুরেম্বী লৈকায় অমদি পাঞ্চি মনিং অনীনা পুন্না শীনমিন্নদুনা থা অসিগী ২৪দা উরিপোক্তা মাও কৈথেল ফমগনি হায়না কম্মিটি অসিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।


চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০১৫ দা মাও মীয়াম্না নাগালেন্দদা পোৎচৈ য়োনবদা সাউর্দন অঙ্গামিনা অথিংবা পীরকখি। চৎথোক-চৎশিন্দা অয়েৎ-অপন পীরকপদগী মাও মীয়ামগী মনা-মশিং য়োনফম লৈরক্তদুনা হিংনবগী লানফমদা অচৌবা পোৎলুম অমা পুরকখি। লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন, ইপসা, পান্দম, অকোম লূপ, ইপাক, কংলামৈ, কে আই এল, সী এল কে অমদি কে এস এনা মাও মীয়ামগীদমক লেপ্পগা লোয়ননা ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী মীৎয়েং অমদি ইমোসনল ইন্টিগ্রিটি অমগা লোয়ননা ইকনমিক ইন্টিগ্রিটি অমা শাগৎমিন্নদুনা ইকনমিক ইন্টরদিপেন্দেন্সিগী মরী অমা শেমগৎমিন্নবগী ৱাখল্লোন অমদা মাওগী লৈহাওদা পুথোকপা পোৎলমশিং অদু ইম্ফালদা পুরক্তুনা য়োনবা হৌখি। মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি শেমদুনা কম্মিটি অসিগী মীৎয়েং মখাদা লেপ্পা লৈতনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লমদমশিংদুগী ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা মাও কৈথেল চয়োল অমদা অনীরক ফল্লকখি। লৈবাকপোকপা অমদি ইরাইদাা কৈথেল ফল্লকপগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২৪ দা মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি, অপূনবা তেংবাং মরুপ উরিপোক লাইখুরেম্বী লৈকায় অমদি পাঞ্চি মনিং অনীনা পুন্না শীনমিন্নদুনা উরিপোক্তা মাও কৈথেল ফমগনি হায়নসু মখা তারি।

# থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নারনা কোর্টতা পীখৎলকখিবা রিপোর্ট তরাইনা লৌদে : কম্মিটি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচএনএস): হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা থৌবাল তুরেল য়াওনা মণিপুরগী তুরেলশিংদগী লোনা য়াদবা মওংদা নুং-লৈঙোই পেকপা থিংখ্রবা মতুংদা মখা তানা থবক অসি চত্থরি হায়বগী পাউ লৈবদগী কোর্টনা থৌবালগী দেপ্যুটি কম্মিস্নারবু ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা থৌবাল তুরেলদগী নুং-লৈঙোই পেকথোকপ্রা হায়বদু য়েংলুনবা অমসুং মদুগী রিপোর্ট পীখৎলক্লবা খঙহনখি। কোর্টকী ওর্দর অসিদগী দি সীগী মায়কৈদগী ওফিসল অমা য়াওনা পুলিস অমসুং ফোরেষ্টকী ওফিসলশিংনা মমাঙ থাগী ১১ দা য়েংশিনবা চৎখি। অদুবু চৎখিবা য়েংশিন-খোঙচৎ অদুগী মতাংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নারনা কোর্ট অসিদা পীখৎলকখিবা রিপোর্ট অদুদি তরাইনা লৌদে হায়না থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিগী কনভিনর কে ঐচ ইনাওচানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়েংশিন খোঙচৎ অদুগী টিম অদুনা থৌবাল তুরেলগী পরিংদা চৎপদা লৈঙোই পেকখিবগী তুংদুনা লৈবা অনৈবা ঈশিং, ইনৌ নৌনা তৌথোকপা কোম, মচুম তারিবা লৈঙোই মপৈ, কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা এক্সকাভেটর অমদি ট্রকশিংগী ওইগনি চিংনবা টয়ারনচিংবগী মমি, এক্সকাভেটরগী বকেটনা কোৎপগী লৈপনদা তাবা মমিশিং মফম কয়াদা থেংনখি হায়রি। থৌবাল তুরেলদগী নুং-লৈঙোই পেকপা কোর্টনা অথিংবা থল্লবসু থেংনরকখিবশিং অসিনা থবক অসি মখা তানা চত্থরি হায়বগী ময়েক লারবা খুদমশিংনি হায়রি।

য়েংশিন-খোঙচৎ অসি লাক্কদৌরে হায়বা খঙবদগী পুংজা খরগী মমাঙদা থবকশিং অদু লেপখিবগী মওংনি হায়রি। অদুম ওইনমক দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী রিপোর্টতা নুং-লৈঙোই পেকপা মেছিনশিং উদে অমসুং মীওইশিংসু উদে হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সবমিট তৌবা রিপোর্টতা ফোঙদোকখিবা অসিদি লাইবক থীবনি। থৌওং অসি থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিনা থম্মোয় শোক্লা পেন্দবা ফোঙদোক্লি। হকথেংননা নুং-লৈঙোই পেকপা থেংনরকখিদ্রবসু লৈরল্লিবা ফীভমশিং অদুগী মরমদা খজিক্তং ওইরবসু পনবীরম্লবদি মীয়াম্না মীচঙ-মীখায় নাইবা এদমিনিষ্ট্রেটরনি হায়নরিবসি হায়রম্লোই হায়রি। মরম অসিনা হায় কোর্টতা চত্থরিবা কেস অসিগী এমিকস ক্যুরিগী খুত্থাংদা নুমীৎতুদা ওইখিবা থৌবাল তুরেলগী ফীভম চপ চানা হায় কোর্টতা খঙহন্দুনা দি সীগী রিপোর্ট অদু অরানবনি হায়না উৎকনি হায়রি। য়েংশিন-খোঙচৎ অদুদা কম্মিটি অসিগী মীওই অমত্তা য়াওখিদে। অদুবু মদুগী ফোটো অমসুং ভিদিও কভরেজগী ওরিজিনেল কোপিশিংদি হৌজিক কম্মিটিগী খুৎতা লৈ হায়নসু থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিগী কনভিনর কে ঐচ ইনাওচানা ফোঙদোকখি।




# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৩।০১।২০২০ ইং, শগোলশেল,
ৱাকচিংগী ২৯ নি পানবা।

**মেষ :** নচা ননাইগী লম্দা নীংবা থুংবা অমদি লৈঙাক্কী লম্দা মীকোক থোংবা নুমিৎনি। মরুপ মপাংনা কল্লকপা খরদি লৈগনি। লম চৎপা কান্নগনি ,পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** তপ্পা ইংবা অমদি হোয়া ফদবনা মাই পাকচগদবা নুমিৎনি। লৈঙাক্কী লম্দা নোল্লুক্কা চৎচবা ফগনি অমদি অশাওবনা মাংওইনগনু । অরুবা থবক য়ৈথোকপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - অরেপ্পা ৱা হাইদোক্কনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** ঙসিসু নিংবা থুংগনি, লেংদবা লন ফংবগী নুংঙাইবা অমদি ললোন ইতিক্তা চাওনা কান্নবা ফংজবা নুমিৎনি। অদুবু য়েৎনবনা পুক্লিং নুংশিবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** ঙসিসু নিংবদুমক পাংবা য়াবা লৈরে, ওইজবা থিবদা শোইদনা মাই পাক্কনি। শেল তিংফম খরা লৈরসু অয়েৎপা খরদি কোক্লগনি। ৱানোম্বদি মাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মাই পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**সিংহ :** হোয়া ফবা মতম মাংবনা হেনগনি অমদি মীয়ামগী থবক পাংবরা হাইবু কাইনবা নংগনি। অদুবু মীনা লাকচবদি ঙমলোই অমদি লৈঙাক্কী লম্দা মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** অফবা মফম ফংবা অমদি থৌনা ফুদোকপনা থৌ পাংবা হেনবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি অরিবা থবক পনবদি লৈগনি। নাইতোম ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/সিকমিস।

**তুলা :** পুক্লিং ৱাবা অমদি তৌফম খঙদবা খরা লৈরবসু ওইজ ওইথক ফংগনি। মীংচৎ ফংগনি, অরং অরাক লেপশিনবা য়াগনি অমদি ঙাংথোকবদা মীনা তানিংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**বৃশ্চিক :** লৌশিং চাওখৎপা, অচুম্বনা মাই পাকপা অমদি নরল চাওখৎপগী নুংঙাইবা লৈগনি। পাউদি নুংঙাইবা তাদে অমদি ফংঙমদ্রবা মতেং ফংবগী নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** নিংজবা থুংবা, মীচং হেনগৎপা অমদি অনৌবা থৌরম পাংবা শোইদনা মহয় য়ানগদবা নুমিৎনি। মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা অফবা থবক পাংহৌরো। ফিংবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** ঙমনি ঙমলোই খঙদনা থৌয়াম পুগনু অমদি ঙাইঙমদবা তৌগনু-মদুনা অরেম্বদা চাদিং তৌগনি। মরুপ মপাংগী মতেং লৌবদি মাই পাক্কনি। অঙম্বনদি য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকাইবা নংবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কুম্বা :** শেল ফংগনি, অশা চাওবগী কান্নবা ফংগনি, লৌশিংগী পাঙ্গলনা ওইজবা ফংগনি অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোই। শক খঙদবনা হাইবদি লৌগনু, চিন কনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** থবক পাংগনি, লাইবক ফগনি, নচা ননাইগী লম্দসু পুক্লিং পেঞ্জবা লৈগনি। ইচং থৌবনা মীনা লাকচবা ঙমলোই। অদুবু মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎলি- লাংচৎনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - পুক্লিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।